**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পি লুচিংবা সম্বিত পত্রনা ঙসি চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেশিংদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

৩) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা য়েলহৌ চীংমীশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ড্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজংদা হেন্না কনশিন্না শরুক য়ামিন্নবা খন্নখ্রে।

৪) মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল ফোংখ্রে।

অমসুং

৫) খুন্দক্তা লান্দারকপদা মীচম মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবা শেম শাবগী মোক ড্রিল অমা থা অসিগী ৭ তা রাজ্যশিংদা পাক শন্না পাঙথোকবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না খঙহনখ্রে।

---সিগনেচর ট্যুন---

সম্বিত (এল)ঃ বি.জে.পিগী অৱাং নোংপোক্কী থৌ পুরিবা অমসুং এম.পি- সম্বিত পত্রনা ঙসি মণিপুরদা লাক্কুনা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

শ্রী সম্বিত পত্রনা ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা হেক থুংলবগা চুরাচান্দপুরদা চৎখি। মহাকা বুংমোল-এদা লৈবা বি.জে.পিগী এম.এল.এ- বুংজাগিন বালতেগী য়ুমদা চত্তুনা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা বি.জে.পিগী এম.এল.এ- এল.এম-খৌতেসু লোয়নখি। শ্রী সম্বিত পত্রনা বি.জে.পি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট মন্দলগী মীহুৎশিং অমসুং জিলা অদুগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন খরগী মীহুৎশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। জোমি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী লুচিংবশিংনা শ্রী পত্রদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

মদুগী তুংদা ইম্ফালদা অমুক হল্লক্তুনা লুৱাংশংবমদা লৈবা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী য়ুমদা চত্তুনা উন্নখি।

শ্রী সম্বিত পত্রনা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। বি.জে.পি অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা দল এন.পি.এফকী এম.এল.এশিংগসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাল হোটেলদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

সম্বিত পত্রগা উন্নখিবা এম.এল.এশিংগী মনুংদা য়াওখিবা পাৎশোই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- শাপম কুঞ্জকেশ্বরনা পাউমীশিংদা হায়- মখোয়না উন্নখিবগী মরুওইবা পান্দমদি নেসনেল হাইৱেশিং হাংদোক্তুনা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎহন্নবনি। মসিগী মথক্তা মফম খরদা ফোংনা খুৎলায় পায়দুনা চৎলিবা মীওইশিংগী থৌওং অসি রাজ্য অসিগী মীয়ামা পেন্নদ্রে। মরম অদুনা মখোয়বু নিংথিনা লাকশিন্দুনা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা ৱাফমশিং তকশিনখি।

অতোপ্পা এম.এল.এ খরদগী ফংবা পাউদা হায়- উন্নবা অদুদা মখোয়না মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা য়েংদুনা মীয়ামগী লৈঙাক অমা থম্বীনবা ৱাফম হৌদোকখি। মদুদা সম্বিত পত্রনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি খরদং ফগৎলকপগা মীয়ামগী অপাম্বা থবক্তা ওন্থোকবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদা তকশিনবদা মহাক্কী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না থাজবা পীরকখি। রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগহিন্নবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবসু শ্রী পত্রনা আপীল তৌখি।

মণিপুরদা রাষ্ট্রপতিগী সাসন থমখ্রবা মতুংদা শ্রী সম্মিত পত্রনা মণিপুরদা লাকপা ঙসিগী অসিনা অহানবনি। মহাকা এম.এল.এশিংগা উন্নখিবা অদুদা করি করি ৱাফম খন্নখিবগে হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রবসু, মণিপুরগী মীয়ামা খৌরাংনা ঙাইনরিবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমবগী মতাং অমদি মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবগী লম্বী য়াৎপা ওইনা লাকপা খোঙচৎ ওইগনি হায়না থাজনরি। নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা শ্রী সম্বিত পত্র হয়েং কাংপোকপী জিলাদা চৎকনি হায়রি।

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমনা নেসনেল হাইৱেশিংদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা নেসনেল হাইৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদ (এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল)গী ইকজিক্যুতিভ দাইরেক্তর এম.এস. দেভালনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং অমদি প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা পাউদমখি। ৱাফমশিং অদু কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা প্রোজেক্টশিং অদু পায়খৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মায়োক নবা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎনবসু রাজ্যপালনা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি।

মীফম অদুদা ৱার্ক্সকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, হোমগী কম্মিসনার, লেন্দ রিছোর্সকী সেক্রেটরি, পি.দব্লিউ.দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার, দি.আই.জি-সি.আর.পি.এফ (ওপরেসন)নচিংবা শরুক য়াখি। উখ্রুল, নোনে, তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংসু মীফম অদুদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী নৌনা চেয়ারমেন হাপখ্রবা এস.এস. সব্রাগা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

বিরেন (এল)ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা রাজ্য অসিগী য়েলহৌ চীংমীশিংগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগা ঙসি উন্নদুনা রাজ্য অসিদা ড্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজংদা হেন্না কনশিন্না শরুক য়ামিন্ননবা খন্নখ্রে। রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা চীংগী লুচিংবশিং অদুনা মতেং পাংননবসু খন্নখি। শ্রী বিরেন অমসুং চীংগী লুচিংবশিং অদুনা য়েলহৌ চীংমীশিংগী ওইবা নুমিৎ নিনিগী কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকবসু লেপখি। মখোয়না নিলাকুথি কৈকোলদা কেন্দ্রগী শেন্থুং মখাদা শাগৎলিবা য়ুনিতি মোলগী ফিভমসু পুন্না চত্তুনা য়েংমিন্নখি।

দিঙ্গো (এল)ঃ এম.এল.এ- হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- অপুনবগী শক্তি লৈরবা মতমদা ঐখোয়গী খুন্নাইনা শিংনবা খুদিংমক মায়থিবা পীদুনা চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিনবা ঙমগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী শেঞ্জম খুনৌদা কম্যুনিতি হোল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী দিঙ্গোনা হায়- সেকমাই কেন্দ্রগী মফম কয়াদা লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী চৈথেং চাউনা ফংলিবা সেকমাই কেন্দ্রগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং শোত্থদনবা ঙমজবী থাক্তা শেমগৎপগী থবক মখা তানা চত্থখিগনি। মসিদা মীয়ামা মখা তানা মতেং পাংবীনবা এম.এল.এনা আপীল তৌখি।

সিইও (এল)ঃ মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংখ্রে।

ইলেক্তোরেল ফোংবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা লৈরিবা রাজ্য অমসুং জাতি থাক্কী রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিংগা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগা মীফম অমসু ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতা পাঙথোকখি।

বাল (এল)ঃ নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরথ চন্দ্র অরোজ্না ঙসি অঙাং লুহোংবা লৈতবা ভারত- বাল বিবাহ মুক্ত ভারত কেম্পেন হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- অঙাং ওইনা লুহোংবগী থৌওংনা নুপীমচাশিংগী হকশেলদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। মসিদা নত্তনা নুপীমচাশিংবু মতিক চানা মহৈ মশিং তম্বীবা ঙমদে। মহাকা হায়- আইনগী মতুংইন্না চহি ১৮ শুদ্রিবা নুপীমচাশিং অমসুং চহি ২১ শুদ্রিবা নুপামচাশিং লুহোংবা য়াদে। মসিবু মীয়াম হুপা খঙমিন্নদুনা অঙাং লুহোংবা লৈতবা ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নশি হায়না দিপ্যুতি কম্মিসনারনা আপীল তৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা চহি শুদনা অঙাং লুহোংবগী চৎনবী মুখৎনবা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা থাক্কী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

এগ্রি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী চীংনুংকোক অৱাং চীংগী চীংবুরোই তম্বুরোই এফ. ি প.সি ওফিসতা নোংমগী ওইবা চাকহাউ থাবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কংলৈ ফারমর্স ৱেলফ্যার সোসাইতি, চীংবুরোই তম্বুরোই ফেদ ওর্গানিক ফারমর-প্রদ্যুসর কম্পনি অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী লৌউ শিংউ বিভাগকা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা লৌমীশিংদা চাকহাউ থাবগী মতাংদা নিংথিনা তাকপী তম্বীখি।

থৌরম অদুদা মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন, এগ্রি মণিপুরগী প্রোজেক্ট ওফিসার- কে.ঐচ. নিমাইচান্দনা হায়- মতম অমদদি চাকহাউ য়োনবদা লৈবগী চাং য়ামা ৱাৎলম্লবসু হৌজিক্তি মসিগী কান্নবা খঙবা হেনগৎলকপদগী মীরৈবাক অমদি ভারতকী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা মায় পাকা য়োনবা ঙমলে।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাগী পল্লেলদা লৈবা ২৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কেম্পসতা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার চান্দেলনা শিন্দুনা এদভান্স ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি.এফ.ও চান্দেল ডাঃ এন. মুনাল, ২৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট আর.এ. গোদৱাল, ২১ সুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট অমিত মালেনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিং অমসুং ২৬ শুবা অসাম রাইফলসকী ওফিসার অমসুং জৱান পুন্না ৩০০ লোমা উহৈ পানবা উ চারা ৮৫০ রোম থাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি.এফ.ও চান্দেল, ডাঃ মুনালনা হায়- ঐখোয়না ঙসি থারিবা উ চারাশিং অসি তুংগী মীরোলগীদমকনি। উ চারাশিং অসি নিংথিনা হিংহন্নবা পুমমকা হোৎনমিন্নশি। হৌখিবা চহিদা এক পের মা কে নাম হায়বসিদা লৈবাক শিনবা থুংনা উ চারা কোতি কয়া থাখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সতা ঙসি ভারতকী আইনগী লমদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী মখাদা থৌবাল দিষ্টিক্ট বার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

খুদোল (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গ চীংখা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবী লাঞ্জেন্নরকপী নুপীশিংনা ফৌগাকচাউ ইখায়গী মবুং মৌপৱাশিংদা শজিবু খুদোল তম্বগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু পিছ কমিতি মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা থৱায় মীরেল মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

নম্বোল (এল)ঃ নম্বোল ম্যুনিসিপাল এক্স-কাউন্সিল্লর এসোসিয়েসনগী অহানবা মীফম নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এক্স-কাউন্সিল্লর ৫০ রোম শরুক য়াখি।

জ়বিলি (এল)ঃ সদু কোইরেং বেপটিষ্ট চর্চগী দাইমন্দ জ়বিলি সেলেব্রেসন ঙসি পাঙথোকখ্রে। লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোকপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ড্রিল ঃ খুদক্তা লান্দারকপদা মীচম মীয়াম্বু ঙাক শেন্ননবা শেম শাবগী মোক ড্রিল অমা থা অসিগী ৭ তা রাজ্যশিংদা পাক শন্না পাঙথোকবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না খঙহনখ্রে। নোংথক্তগী লান্দারক্কদৌরে হায়না সাইরেন খোংলকপা মতমদা মীয়াম অমদি মহৈরোহশিংনা মশা কঞ্জনবা চেকশিন থৌরাং লৌবা য়াওনা অতৈ চেকশিন থৌরাং কয়াসু মোক ড্রিল অসিদা তমগনি হায়রি।

পুতিন ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নবদা রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিন্না পহলগাম তেরোরিষ্টশিংনা এটেক চখুরকখিবা অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরকখ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোংদোকপগা লোয়ননা ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙথাংশিংদা রসিয়ানা শৌগৎকনি হায়না ফোংদোকখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং অমসুং মখোয়বু শৌগৎলিবশিং থিদোক্নুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবসু শ্রী পুটিন্না ফোংদোকখি।

পাক ঃ পাকিস্তানগী সাইবর গ্রুপশিংনা ভারতকী দিফেন্স সাইটশিং হেক তৌননবা হোৎনরকখ্রে, ভারতনা চপ চাবা অশেংবদু খঙদোকবা কন্না থিজিল্লি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- পাকিস্তানগী সাইবর ফোর্সনা ইন্দিয়ান মিলিটরি ইঞ্জিনিয়ারিং সার্ভিস অমসুং মনোহর পারিকর ইন্সটিট্যুট ওফ দিফেন্স ষ্টদিজ এন্দ এনালাইসিসতগী মরুওইবা দাটাশিং ফংবা ঙমলে হায়না ফোংদোরকপদগী ভারতনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হেনগৎলে।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ --

কাং (এল)ঃ ১৮ শুবা প্লেয়ারস ত্রোফি লিগ কম নোক আউট কাং তুরানমেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গোপাল দেব-এন্না পুথিববু পাঞ্জল ১৭-১২ দা থোইখ্রে।
ফুটবোল(এল)ঃ অনিশুবা প্রিমিয়র লিগ ফুটবোল ২০২৫-২৬ কী ঙসি আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দ লমলোং থোংখোংদা শান্নখিবা মেটচতা- শগোলবন্দ য়ুনাইতেদনা অসুফি এফ.এবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা
ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা পি.সি.সি ময়াই কোইবীবু ৱিকেট ১০ দা, পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজবু রন ৬১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস.সি.সি.সি শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা কে.সি.সি. কোংবা বজার লাক্তুবদগী ৱাঙ্ক ওভর ফংখ্রে। ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ৬৯ দা, ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা অল অমিন লিলোংবু রন ৫৪ দা থোইখি।

রেষ্টলিং (এল)ঃ নিউ দিল্লিগী তালকোতারা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২১ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান বেল্ট রেষ্টলিং এলিস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোই অনি এল. চিতমবালা দেবী অমসুং এল. ঙাম্থোই চনু অমদি কোচ টি. রিশিকান্ট শর্ম্মা খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ত্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিয়েসনগী চরোল অমনা হায়রি।

------